**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 08.05.2024)**

**অকাশবানি ইম্ফালগী নুমিদাং পুং ৭:৩০ গী মণিপুরী পাউ**

**(তাং ০৮-০৫-২০২৪, য়ুমশকৈশ)**

**--সিগনেচর ট্যুন--**

**---অকাশবানি ইম্ফাল ৱাহেংবম রাজেসনা পাউ পাজরি---**

**--অহানবদা মরুওইবা পাউ--**

১) মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেননা হায়রি -রাজ্য অসিদা মীওই লিশিং ৫ হেননা আইন কায়না নারোলদা চংলকপা থেংনরে,অয়াম্বা বাইও মেত্রিক দাতা রেজিস্তর তৌরে।

২) রাজ্য অসিদা লেন অমসুং নোংলৈ নুংশিৎনা য়ুম কয়া য়ামা মাং তাকহনখ্রেবগে হায়বদুগী মতাংদা সরকারনা থীজিনবগী থবক চথরিবা অদু লোইশিল্লক্কদৌরে হায়রি।

৩) মুকা কাংজৈবু মীজোরামগীনি হায়না লাইরিক্তা ফোংখিবা অদুগী মতাংদা শেংদোরকবা শিক্ষা মন্ত্রালয়না এন.সি.ই.আর.টিগী দাইরেক্তরদা খঙহনখ্রে।

৪) ৱার্ল্ড রেদ ক্রোস দেগী থৌরম মালেমগী অতৈ মফমশিংগা লোয়ননা মনিপুরদসু ঙসি পাক্তকনা পাঙথোকখ্রে।

**অমসুং**

৫) জস্তিস য়ু.বি সহানা হায়রি- রাজ্যগী সোসিয়েল ৱেলফ্যার বিভাগনা অহল লমনশিংগা মরী লৈনবা এক্টশিংগী মতাংদা খুঙ্গং খুঙ্গংশিংদা চৎতুনা মদুগী কান্নবা খঙহন্নবা হোৎনগদবনি।

**---সিগনেচর ট্যুন---**

**সি.এম(এল)ঃ** মখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন সিংহনা হায়রি -সরকার অসিনা মীওই লিশিং ৫,৪৫৭ আইন কায়না চংলকপা থেংনরে। মহাকা হায়- মীওই লিশিং ৫১৭৩ গী বাইও মেত্রিক দাতা রেজিস্তর তৌরে।

সোসিয়েল মেদিয়াদা থাগৎলকপা ৱারোল অমদা মুখ্য মন্ত্রিনা হায়- রাজ্য অসিগী কামজোং জিলাদা চহি অসিগী মে ৭ ফাওবদা আইন কায়না মীতোপ লিশিং ৫,৪৫৭ চংলকপা থেংনখি। মসিগী মনুংদা মীওই লিশিং ৫,১৭৩ গী বাইও মেত্রিক দাতা লৌখৎলে। মখোয়শিং অসিবু মরমদমদা হল্লহনখিনবা থবক লৌখৎপা হৌরে। মুখ্য মন্ত্রিনা হায়- য়ুমথংনরিবা লৈবাক ম্যান্মারদা তংদু লৈতাদবা ফীভম অমা লৈবদগী রাজ্য অসিদা আইন কায়না চংশিল্লকখিবা মীতোপশিংদা মীনুংশি য়েংদুনা মীওইবা অমদা পীবা য়াবা মতেং পীরি। মহাকা হায়- হৌজিক ওইরিবা ফীভম অসি য়ামা লুরবসু মসিবু নিংথিনা অমদি হৈশিংনা থবক পায়খৎপা হায়বসি য়ামমক তঙাই ফদে।

**বিরেন(এল)ঃ** কংগ্রেস লুচিংবা সাম পিত্রোদানা অৱাং নোংপোক লমদমগী মীয়ামগী মতাংদা জাৎ বিজাৎ খায়বগী মওংদা ফোংদোকখিবা ৱাফম মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেননা য়ানিংদবা ফোংদোকপগা লোয়ননা য়ামা হকচিন্না লৌই হায়রি।

সোসিয়েল মেদিয়াদা থাগৎপা ৱারোল অমদা মুখ্য মন্ত্রিনা হায়-কংগ্রেস দলনা দিভাইদ এন্দ রুল পোলিসিগী মতুং ইন্না ভারতপু মচেৎ মচেৎ থুগাইনবা থৌরাং তৌরম্মী । মখোয়না অৱাং নোংপোক লমদম অসি ভারতকী শরুক অমনি হায়বসি খঙগদবনি অমদি মতম চুপ্পদা ভারতকী শরুক অমা ওইদুনা লৈখিগনি। মহাকা হায়- অসিগুম্বা জাৎ শুনা খুন্দারিবা লৈবাক অমা ওইরিবা ভারত্তা অসিগুম্বা উশিৎ থৌওইদবগী ৱাফমশিং ফোংদোরকপা হায়বসি কৈদৌনুংদসু য়াবা ঙম্লোই। সাম পিত্রোদানা ফোংদোকখিবা ৱাফম অদুগীদমক্তা মহাকা লাল্লে হায়জগদবনি।

**মুখ্য মন্ত্রি (এল)ঃ** হৌখিবা নোংমাইজিং নুমিৎতা রাজ্য অসিগী মফম কয়াদা লেন তাদুনা মাং তাকহনখ্রবা ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী কৈরাও বিধান সভা কেন্দ্রগী মনুং চনবা মফমশিংদা ঙসি মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন হকথেংননা চৎতুনা য়েংশিনখ্রে।

খোংচৎ অদুদা মুখ্য মন্ত্রিনা হায়- মতম অমদা উ মরাং কায়না হৌরিঙৈদা নোং হেক মংবগা নোং চুবগী থৌওং অমা লৈরম্মী অদুবু হৌজিক্তি উ-ৱা হৌদ্রবনা নোংগী মহুত্তা নোংলৈ নুংশিৎ ওইনা লাকপনা খুদোংচাবশিং অসি মায়োকরকপনি। মহাকা হায়- লেন অমসুং নোংলৈ নুংশিৎনা য়ুম কয়া য়ামা মাং তাকহনখ্রেবগে হায়বদুগী মতাংদা থীজিনবগী থবক চথুরিবা অদু লোইশিল্লক্কদৌরে। সার্ভে তৌবগী মতুং ইন্না ঙরাং ফাওবদা য়ুম লিশিং ১৫,৮০০ রোম মাং তাকলে হায়বা খঙলে। নোংলৈ নুংশিৎ অদুনা কা হেননা শোকহল্লবা য়ুমশিং শেমজিনবগী থবক চথবদা মতম খরা চংখিগনি। অদুমওইনমক কা হেননা শোক্তবা য়ুমশিংগী ওইনদি জি.আই.সিট পীদুনা নুমিৎ ৪-৫ নিগী মনুংদা লৈবা য়ানবা শিল্লগনি। নোংলৈ নুংশিৎ অদুনা এঞ্জাং নাপী অমদি হৌরিবা মহৈ মরোংশিং মাং তাকহনবগী মতাংদা করি থবক লৌখৎকদগে হায়না হংবা পাউখুমদা মুখ্য মন্ত্রিনা হায়- রাজ্য এগ্রিকলচর অমসুং হোর্তিকলচর বিভাগনা হিরম অসিগী মতাংদা থিজিনবা হৌরে। মদুগী রিপোর্ট লাক্লবা মতুং মতিক চাবা ক্ষেত্রিপুরোন পীনবা হোৎনগনি। মহাকা হায়- য়ুম কৈ শোকখ্রবা মীওইশিংনা মখোয়গী লিস্ত পীখৎখ্রবদি চয়োল অমগী মনুংদা কেন্দ্র অসিগী এম.এল.এগী খুত্থাংদা মতেং পীরক্লগনি।

**--সাউন্দ বিরেন--**

নোংলৈ নুংশিৎ অদুনা ময়ুম মকৈ মাং তাকহনখ্রবা মীওইশিংনা চংজফম লৌদুনা লৈরিবা আইয়ুস হোস্পিতালদা মুখ্য মন্ত্রিনা চৎতুনা মফম অদুদা লৈরিবা মীওইশিংগা উন্নখি । খোংচৎ অদুদা কৈরাও কেন্দ্রগী এম.এল.এ লৌরেম্বম রামেস্বর, ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী দিপ্যুতি কম্মীস্নর খুমন্থেম দাইননচিংবা শরুক য়াখি।

**ইমো(এল)ঃ** নোংলৈ নুংশিৎনা মাং তাকহনখ্রবা শগোলবন্দ কেন্দ্রগী মনুংদা লৈবা ইমুংশিংদা এম.এল.এ আর.কে ইমোনা শগোলবন্দ কন্সটিট্যুন্সি প্রোগ্রেসিপ কন্মীতি অমসুং বি.জে.পি শগোলবন্দ মন্দলগী খুথাংদা তেংবাং পীখ্রে। হৌজিক ফাওবদা য়ুমথোং ৩৫০ রোমদা জি.আই.সিট খুৎশিন্নখ্রে হায়রি।

**এম.পি.পি(এল)ঃ** নোংলৈ নুংশিৎ অমসুং লেননা মাং তাকহনখ্রবশিংগী য়েংলগা রাজ্য সরকারনা নেচরেল কেলামিতিগী কায়থোক্লিবা শেনফম অথুমা মতমদা মরম চানা ফংফম থোকপা মীওইশিংদা ফংহনবিয়ু হায়না মনিপুর পিপলস পার্টি(এম.পি.পি) না সরকারনগী পুকিং চিংশিল্লক্লি । চেরোল অমদা দল অসিনা হায়- খারিব লৌরোক্কী মতমগা চুন্নবা হায়ব্রিদ মরু মরাংশিং , হার অমদি তিলহাৎ হিদাকশিং লৌমীশিংদা লেমা মরাং কায়না ফংহন্দুনা থা খরসিদা চানা থকবা অৱাৎপশিং খরদা ওইরবসু মেনখৎপা ঙমবা সরকারনা শীনবিয়ু ।

**রঞ্জন (এল)ঃ** এন.সি.ই.আর.টিগী মখাদা এস.সি.ই.আর.টিনা ফোংবা লাইরিক ‘লরনিংস থ্রু ত্রেদিসনেল গেমস’ তা মনিপুরগী মহৌশাদগী লৈরক্লবা মশান্না মুকা কাংজৈবু মীজোরামগীনি হায়না ফোংখিবা অদুগী মতাংদা কেন্দ্রগী শিক্ষা মন্ত্রালয়গী দিপার্টমেন্ত ওফ স্কুল ইদুকেসন এন্দ লিতরেসিনা ন্যু দিল্লিদা লৈবা এন.সি.ই.আর.টিগী দাইরেক্তরদা চে ইদুনা খঙহনখ্রে।

মন্ত্রালয় অসিগী অন্দর সেক্রেটরিনা ইবা চেরোল অমদা হায়- হিরম অসিগী মতাংদা এন.সি.ই.আর.টিনা অথুবা মতমদা মন্ত্রালয়দা মরিক চুন্বা রিপোর্ট অমা পীখৎলক্কদবনি।

**--পাউগী মরক থৎনা অতেনবা ব্রেক অমা--(বাবিনা)**

## --তাবীরিবা পাউ অসি অকাশবানি ইম্ফালদগীনি --

**গভর্নর(এল)ঃ** ৱার্ল্ড রেদ ক্রোস দেগী থৌরম মালেমগী অতৈ মফমশিংগা লোয়ননা মনিপুরদসু ঙসি পাক্তকনা পাঙথোকখ্রে। মপুং ওইবা থৌরম ইন্দিয়ন রেদ ক্রোস সোসাইতি মনিপুর ষ্টেট ব্রঞ্চনা শিন্দুনা এম.জি.এভিন্যু ইম্ফালদা পাঙথোকখি।

আই.গিভ ৱিথ জোয়, এন্দ জোয় আই গিভ ইস এ রিৱার্দ হায়বা হিরমদা পাঙথোকপা থৌরম অদুদা শরুক য়ারদুনা ইন্দিয়ন রেদ ক্রোস সোসাইতিগী মনিপুর ষ্টেট ব্রাঞ্চকী প্রসিদেন্তসু ওইরিবা রাজ্যপাল অনুসুইয়া উইকেনা হায়-অসিগুম্বা নুমিৎ পাঙথোকপা অসিনা রেদ ক্রোস সোসাইতিগী ভোলুন্তিয়রশিংনা শিংথানিংঙাই ওইনা পাঙথোক্লিবা থবক থৌরমশিং অদুবু শকখঙবনি। রেদ ক্রোস সোসাইতিগী ভোলুন্তিয়রশিংনা লৈতা লায়রবশিং , অহল ওইরবশিং, মীগা মীমান্নদ্রবশিংগী য়াইফ থৌরাংগাদমক খন্দুনা থবক থৌরম কয়া মরুম পাঙথোক্লি। রাজ্যপালনা হায়- চহি খুদিংগী রেদ ক্রোস সোসাইতিনা মীওই মিলিয়ন ২০০ রোমদা মতেং পাংলি।

ৱার্ল্ড রেদ ক্রোস দেনা লাকপদা মসিবু লিংখৎলল্লিবা সর জোন হেনরি দুরান্তগী মফমদা ইকায় খুমবা উৎলদুনা রাজ্যপালনা হায়- মহাকা মীওইবা জাতিগীদমক তৌরম্বা থবকশিং অদুগীদমক মহাকপু অহানবা নোভেল পিছ প্রাইজ পীদুনা ইকায় খুমখি। অমদি মহাক্কী মপোক নুমিৎ মে ৮ অসিবু মালেম শিনবা থুংবদা ৱার্ল্ড রেদ ক্রোস দে হায়না পাঙথোক্লি।

## --সাউন্দ রাজ্যপাল--

থৌরমদুগা মরী লৈননা রাজ্যপালনা ইন্দিয়ন রেদ ক্রোস সোসাইতি মনিপুর ষ্টেট ব্রাঞ্চকী ৱেব সাইট অমা হৌদোকখি অমসুং সোভেনর অমা ফোংখি। থৌরমদুদা পালন নুমিৎ অসিগা মরী লৈননা পাঙথোকপা তোঙান তোঙানবা চাংদমবশিংদা মকোক মথং তাখ্রবশিংদা মনা মথুম য়েন্থোকখি।

**রাজ্যপাল(এল)ঃ** রাজ্যপাল অনুসুইয়া উইকেনা চীংগী জিলাশিংদা এম্বুলেন্স থমগনি হায়না ফোংদোকখিবগী মতুং ইন্না ইন্দিয়ন রেদ ক্রোস সোসাইতি সেনাপতি দিষ্ট্রিক্ট ব্রাঞ্চতা এম্বুলেন্স লৈনবা শেনফম ঙসি রাজ ভাবন ইম্ফালদা পাঙথোকপা থৌরম অমদা খুৎশিন্নখ্রে।

অমরোমদা, মেদিসিনস সেন্স ফন্তিয়রসকী চিফ ওফ ওপরেসন অমদি মহাক্কা লোয়নবা মীওই অনিনা রাজ্যপালগা উন্নদুনা ইং ২০০৫ দগী মনিপুরদা মখোয়না হকশেলগী লমদা পীরিবা মতেংশিংগী মতাংদা পাউদমখি।

মনিপুর য়ুনিভার্সিতিগী রেজিস্তর য়াওনা য়ুনিভার্সিতি অসিগী প্রোফেসরশিংনসু রাজ্যপালগা উন্নদুনা মনিপুর য়ুনিভার্সিতিদা পাঙথোক্কদৌরিবা ইন্তরনেসনেল কনফরেন্সতা শরুক য়াবিনবা বর্তন তৌখি।

**পুলিস(এল)ঃ** কাংপোকপী জিলা মনুংদা চংন্নবা হোৎনরম্বা মীওই অনি ঙসি কংলাতোংবি চেক পোস্তাগী কলহৌরে। পুলিসকী পাউনা হায়- ঙসি নুমিৎ য়ুংবা মতুং পুং অমা খরা হেল্লকপদা ইম্ফাল রোমদগী উৎ মচুগী হোন্দা এক্তিভা অমা তোংদুনা লাকপা মীতৈ মচা অনিনা কাংপোকপী তমা চংশিন্নবা হোৎনরম্বনি। মদুদা কংলাতোংবিদা হাংলিবা সেক্যুরিতি চেক পোস্তা মথৌ তৌরিবা সেকমাই পুলিসকী ও.সি অথোকপম দিপকনা লুচিংবা কাংবু অমনা থেংনবদগী মীওইশিং অদু কনবা ঙমহৌবনি।

**ককচিং(এল)ঃ** ককচিং পুলিসনা ঙসি ককচিং লমখায়গী এরিয়দা অচৎ অওকশিং চেক তৌবগী থবক চথখ্রে । মদুদা লম্বীদা লাকপা গাড়ি অমা খামলুবদা প্লাস্তিক পেকেজ ১৫ দা হাপ্লম্বা য়ু -ঙৌ লিতর ৩৭৫ ফাবা ঙল্লে। য়ু অদু গাড়ি মনিংদা হাপ্পা সিন্তেক্স মনুংদা লোটলগা পুরম্বনি। থৌদোক অদুগা মরী লৈননা মীওই অমা ফারে।

**এম.য়ু (এল)ঃ** মনিপুর য়ুনিভার্সিতিগী দিপার্টমেন্ত ওফ লোনা শিন্দুনা নৌনা পুথোকখিবা ক্রিমিনেল লো অহুম ভারতিয়া ন্যাই সনহিতা ২০২৩, ভারতিয়া নাগারিক স্‌রক্সা সনহিতা ২০২৩ অমদি ভারতিয়া সকস্যা অধিনিয়ম ২০২৩ গী এৱেনেস অমদি সেন্সিতাইজেসন কেম্পেইন অমা ঙসি মনিপুর য়ুনিভার্সিতিগী ভি.সি প্রোফেসর এন. লোকেন্দ্রনা হৌদোকখ্রে।

**শান্নবা (এল)ঃ** আর্টিফিসিয়েল টর্ফ গ্রাউন্দ লমলোং থোংখোংদা চত্থরিবা চহি ১৭ মখাগী খেল্লো ইন্দিয়না গলর্স ফুটবোল লিক্কী ঙসি মেটচতা ই.এস.য়ু ৱাংখে অমসুং দ য়ঙ ৱেলফ্যার ক্লব পাঞ্জল ২-২ চন্নদুনা দ্রো চৎখি। অতোপ্পা মেটচ অমদা য়ুথ ৱেলফ্যার ক্লবনা খুমন এফ.এবু পাঞ্জল ১২-০ দা থোইখি।

**ফুটবোল(এল)ঃ** শিংজমৈ ওইনাম থিংঙেলদা চত্থরিবা ৫ শুবা ওহনাম চার্লি মেমোরিয়েল ওপন সোকর টুরনামেন্তকী ঙসি শান্নখিবদা জি-৫ হৈরোকা য়ারিপোক এফ.সি বোলেরোবু তাই ব্রেক্তা পাঞ্জল ২-১ দা, বেবি শিংজমৈ এফ.সিনা ফেসোক ময়াং ইম্ফালবু পাঞ্জল ৪-১ দা , পাম্ভোইবি এফ.সি লংথাবালনা এম.এন.এফ.সি লংথাবালবু পাঞ্জল ১-০দা, কেনেদি এফ.সিনা এন.ৱাই.সিবু পাঞ্জল ৩-২ দা থোইখি।

**ফুটবোল(এল)ঃ** অহানবা ঐচ পাম্ভোইবি দেবী মেমোরিয়েল অন্দর ১৩ বোইজ ফুটবোল লিক্কী ফাইনেল লাক্লিবা তাং ১১ বিষ্ণুপুর মিনি ষ্টেদিয়মদা শান্নরগনি।

## ---অকাশবানি ইম্ফালদগী পাউ তাবিরি---

**রাইটস(এল)ঃ** মনিপুর হ্যুমেন রাইটস কম্মীসন অমসুং মনিপুর য়ুনিভার্সিতিগী লো দিপার্টমেন্তনা শিন্দুনা ইন্তরনেসনেল দে ওফ ফেমিলিস ঙসি মনিপুর য়ুনিভার্সিতিগী কোর্ট হোলদা পাঙথোকখ্রে।

মমা মপাশিং অমসুং অহল ওইরবশিংগী য়াইফনবগীদমক্তা ইমুং মনুংগী মীওইশিংগী মথৌ হায়বা হিরমদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা শরুক য়ারদুনা মনিপুর হ্যুমেন রাইটস কম্মীসনগী চিয়রপরসন জস্তিস য়ু.বি সহানা হায়- অহল ওইরবশিংগীদমক্তা তোঙান তোঙানবা এক্ত কয়া মরুম লৈ হায়বসি লৈবাক অসিগী নাগারিক অমত্তনা খঙদে। মরম অদুনা এক্ত অসিদা পীরিবা কান্নবশিং কনাগুম্বা অমত্তনা লৌদ্রি। মহাকা হায়- রাজ্যগী সোসিয়েল ৱেলফ্যার বিভাগনা অহল লমনশিংগা মরী লৈনবা এক্তশিংগী মতাংদা খুঙ্গং খুঙ্গংশিংদা চৎতুনা মদুগী কান্নবা খঙহন্নবা হোৎনগদবনি । ওল্ড এজ হোমশিংদা লৈরিবা অহল ওইরবশিংনা মখোয়গী হক করি করি লৈবগে হায়বদু খঙদবগুম তৌই । মহাকা হায়- সোসিয়েল ৱেলফ্যার বিভাগনা রাজ্য অসিদা লৈরিবা সরকারনা চল্লাইবা ওল্ড এজ হোম য়াওনা লন্নাই মীওই অমদি সোসাইতিসশিংনা চল্লাইরিবা ওল্ড এজ হোমগী ফীভম য়েংশিনগদবনি।

**--সাউন্দ সহা--**

থৌরম অদুদা শরুক য়ারদুনা সোসিয়েল ৱেলফ্যার বিভাগকী দিরেক্তর ঙাঙোম উতমা হায়- মেন্তিনেস এন্দ ৱেলফ্যার ওফ পেরেন্স এন্দ সেনিয়র সিটিজেন্স এক্ত ২০০৭ অসি গেজেটতা ফোংদুনা হৌখিবা চহি ২০০৯ দগী চৎনবা হৌখি। মনিপুরগী ওইনসু ২০১৯গী নবেম্বরদা "মনিপুর মেন্তিনেস ওফ সেনিয়র সিটিজেন রুল" হায়না রুলস অমদি রিগুলেসন শেমদুনা চৎনবা হৌখ্রে।

মহাকা হায়- এক্ত অসিগী মতেংনা অহল ওইরবশিংনা মহাক্কী মেন্তিনেস গ্রান্ট মচা ওইবশিংদগী তানগে হায়রবদি এপ্লিকেসন থাবা য়াই। এপ্লিকেসন থাবা অসি অহল মশামক নত্রগা অহল অসিনা শকখঙনবা মীওই নত্রগা ওর্গনাইজেসননা থাবা অমদি ত্রাইবুনেলনা সু মোতু কেস ওইনা পায়খৎপসু য়াই। গ্রান্ট অসিদা অহলশিংগী লৈফম চাফম অমদি হিদাক লাংথক লেবা কোন্ননবা দিমান্দ তৌবা য়াই। হায়রিবা এক্ত অসিদা মমা মপাশিং অমদি অহল ওইরবশিং হায়বা ৱাহৈ অমা পনবনা চহি ৬০ শুদ্রিবা অহলশিংনসু মচা ওইবশিংদগী দিমান্দ অসি তানবা য়াই। লোয়ননা মচা ওইবশিং হায়না পল্লিবা অসি মচা নুপা খক্তমক নত্তে। অহলশিংগী সম্পাতি ফংহৌগদৌরিবা মরীমতা, মশু অমদি মচা নিংঙোলশিংসু য়াওরি ।

অমরোমদা, মনিপুরদা ওল্ড এজ হোম ৪২ লৈ । মসিগী মনুংদা রেজিস্ত্রেসনগীদমক এপ্লিকেসন থাজিল্লকপা ওল্ড এজ হোম ১৮ খক্তম ওইরি। এক্ত অসিগী মখাদা দিপার্টমেন্তনা থবক পায়খৎলক্লবদি রেজিস্ত্রেসন তৌদ্রিবা হোমশিং অসি লোনবগী ফীভমদা লাক্কনি। মরম অদুনা অথুবদা ওল্ড এজ হোম হাংলিবশিংনা রেজিস্ত্রেসন তৌবিয়ু । হোম অমা হাংবা মতমদা চংগদবা থবক থৌওংশিং অমত্তা চিথ্থদনা পাঙথোকপিয়ু। সরকারগী ওহনসু ওল্ড এজ হোম হাংন্নবা পান্দম থল্লি। অদুম ওইনমক, ওল্ড এজ হোম নত্রগা দে কেয়র ওইনা হাংশিরা হায়না খন্নরি। অনি অসিগী মনুংদা অমা হাংন্নবা থৌরাং পুন্সিদি লোইশিল্লক্লে। লোয়ননা চিফ মিনিস্তরগী শোত্থরবশিংগী তেংবাংগী মখাদা মেন্তিনেস গ্রান্ট ওইনা চহি ৬০ হেল্লবা অহল লাখ ১ লিশিং ৩০ দা ওল্ড এজ পেন্সন পীরি। হায়রিবা শেনফম অসি ওল্ড এজ হোমদা লৈরিবশিংগীদি পিদে, মরমদি হোম অদুবু চল্লাইরিবা মীওইশিংনা মন্ত্রালয়দগী ফংলিবা গ্রান্ট অদুনা পীগদবনি। শেনফম অসি মতমগা চুন্নবা মওংদা পীবিনবা হায়দুনা মন্ত্রালয়দা চে থাখিবা লৈখ্রে।

**লাই(এল)ঃ** ইমা কোন্দোং লাইরেম্বী হরাওবগী থৌরম কুমসি চহিগী ওইনা পাঙথোক্লরোই হায়না ইমা কোন্দোং লাইরেম্বী থৌগল লুপ মোরেনা খঙহল্লক্লি । অদুমওইনমক, চহি অসিগী ওইনা ইমা কোন্দোং লাইরেম্বীগী কুম চনবগী ইরাৎ থৌনি লাক্লিবা ইরাই নুমিৎতা পেলেস কম্পাউন্দা লৈবা মনিপুর দান্স কলেজতা পাঙথোক্লগনি হায়রি।

ইলেক্সনঃ লোক সভা মীখলগী লেমহৌরিবা তাঙ্ককশিংগী ভোট খোম্বগী থবক খমথেংনা খল্লে। বি.জে.পি লুচিংবা অমসুং প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদি ঙরাং নুমিদাং হায়দ্রবাদতা থুংখিবগা লোয়ননা বি.জে.পি মীরেপকীদমক ঙসি তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা পাঙথোকপা মীয়ামগী মীতিন অমদি মীখলগী কেম্পেইনশিংদা শরুক য়াখি। প্রধান মন্ত্রিনা ঙসি নুংথিল বিজয়ৱাদা অমসুং রাজামপেদতা পাঙথোকপা রোদ সো অমসুং মীয়ামগী মীতিনদা শরুক য়াখি।

তেলঙ্গানাদা পাঙথোকপা মীয়ামগী মীতিন অমদা শরুক য়ারদুনা শ্রী মোদিনা হায়- মহাকপু থাজবিদুনা মীয়ামা পীরকখিবা ভোটনা লৈবাক অসি ঙসিদি ঙাকশেলগী মচাক মথুমদা মীপাল তংলম্বা অদু হৌজিক্তি মীরৈবাক্তা থাদোকপা ঙল্লে । মসিদা নত্তনা কস্মীরদগী আর্টিল ৩৭০ লৌথোক্লে। মহাকা হায়- বি.জে.পিগী ওইনদি লৈবাক অসিনা হান্না হায়বা থৌশিলদা থবক পায়খৎলি। অদুমওইনমক কংগ্রেস অমসুং বি.আর.এসনদি ইমুং মনুং হান্না হায়বা থৌশিলদা থবক পায়খৎলি।

তেলঙ্গানাগী ৱারঙ্গলদা পাঙথোকপা মীয়ামগী মীতিন অমদা ৱা ঙাংবদা শ্রী মোদিনা হায়- মীওইববু কুচুদা য়ুমফম ওইরগা হন্থাবা থাক্তা য়েংবগী থৌওং লৈবাক অসিনা কৈদৌনুংদসু তুমিন্না লৈথোক্লোই। মীয়ামা চাউখৎনবগীদমক্তা ভোট পীবিনবা আপিল তৌরদুনা মহাকা হায়- তেলঙ্গানাদা পাল্লিবা সরকার অসি তোঙান তোঙানবা স্কমশিংদা চেননবা ঙাক্তনি।

মরক অসিদা উত্তর প্রদেশতা রাজনিতি দলশিংগী ষ্টার কেম্পেইন্নরশিংনা মখোয় মখোয়গী মীরেপশিংগীদমক ভোট খোল্লি। বি.জে.পি লুচিংবা অমিত সাহ তোঙান তোঙানবা জিলাশিংদা পাঙথোকপা রাজনিতিগী ওইবা খোংচৎশিংদা শরুক য়াখি। সমাজৱাদি পার্টিগী লুচিংবা অখিলেস যাদপসু রাজ্য অদুগী জিলা অনিদা পাঙথোকপা মীখলগী রেল্লিশিংদা শরুক য়াখি।

**ফোরঃ** লোক সভা মীখলগী মরি শুবা তাঙ্কক্কী ভোট থা অসিগী ১৩ দা থাদনরগনি। তাঙ্কক অসিদা রাজ্য ১০ অমসুং য়ুনিয়ন তেরিতোরি অমগী সিট ৯৬ তা ভোট থাদনগনি। তাঙ্কক অসিদা অন্ধ্র প্রদেশকী সিট ২৫ তেলঙ্গানাগী সিট ১৭, উত্তর প্রদেশকী সিট ১৩, মহারাস্ত্রাগী ১১, নোংচুপ বেঙ্গোল অমসুং মধ্য প্রদেশকী ৮-৮, ঝরখন্দগী সিট ৪, বিহারগী সিট ৫,ওরিষাগী সিট ৪ অমসুং জম্মু কস্মীরগী সিট অমনি।

তাঙ্কক অসিদা পুন্না মীরেপ লিশিং ১,৭১৭ না লম্বা থেংনগনি।

## --অরোইবদা মরুওইবা পাউ অমুক --

১) মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেননা হায়রি -রাজ্য অসিদা মীওই লিশিং ৫ হেননা আইন কায়না নারোলদা চংলকপা থেংনরে,অয়াম্বা বাইও মেত্রিক দাতা রেজিস্তর তৌরে।

২) রাজ্য অসিদা লেন অমসুং নোংলৈ নুংশিৎনা য়ুম কয়া য়ামা মাং তাকহনখ্রেবগে হায়বদুগী মতাংদা সরকারনা থীজিনবগী থবক চথুরিবা অদু লোইশিল্লক্কদৌরে হায়রি।

৩) মুকা কাংজৈবু মীজোরামগীনি হায়না লাইরিক্তা ফোংখিবা অদুগী মতাংদা শেংদোরকবা শিক্ষা মন্ত্রালয়না এন.সি.ই.আর.টিগী দাইরেক্তরদা খণ্ডহনখ্রে।

৪) ৱার্ল্ড রেদ ক্রোস দেগী থৌরম মালেমগী অতৈ মফমশিংগা লোয়ননা মনিপুরদসু ঙসি পাক্তকনা পাঙথোকখ্রে।

## অমসুং

৫) জস্তিস য়ু.বি সহানা হায়রি- রাজ্যগী সোসিয়েল ৱেলফ্যার বিভাগনা অহল লমনশিংগা মরী লৈনবা এক্টশিংগী মতাংদা খুঙ্গং খুঙ্গংশিংদা চৎতুনা মদুগী কান্নবা খণ্ডহন্নবা হোৎনগদবনি ।

## --- পাউ লোইজরে---